# ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিম মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):** মালেমগী ওইনা অহুমশুবা অদুগা এসিয়াগীনা খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট দুরান্দ কপকী ১৩৪ রক শুবা এদিসনগী ওইনা ঙসি খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এফকী মেটচ অমদা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমনা রিয়ল কাশ্মির এফ সী মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়ান আর্মিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়নন চথরিবা কপ অসিগী ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা ইন্দিয়া নেভি ফুটবোল টিমনা রিয়ল কাশ্মির এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরগা পোইন্ট অহুম ফংদুনা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈবা ঙম্লি।

ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মায় পাকখ্রবা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন লোয়নন গোল কিপর ওইখিবা ভাস্কর রোয়না প্লেয়র ওফ দি মেটচকী টাইটল লৌখি। মীওই ৬৭৮২ রোম তিনখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ শান্নবা হৌগৎলকপা ইকুই কুইদনা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমগী শান্নরোয় বিজয় মরান্দিনা ৬শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা টিমগী পাঞ্জল একাউন্ট হাঙদোকখি অমদি হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৬৪ শুবা মিনটতা রিয়ল কাশ্মির এফ সীগী ফ্রেঙ্ক ৰিলিয়মনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা ১-১দা মান্ননা লৈখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৭০ শুবা মিনটতা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমগী শ্রেয়াজ ভি জিনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়নন মেটচ অদু ইন্দিয়ান নেভিনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

# নোর্থ ইষ্ট জোনেল সিলেক্সন কম্মিটিগী কনভিনর ওইনা নোমিনেট তৌরক্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)গী ওনরেরি সেক্রেটরি লৈশাংথেম রোনেলবু দুলিপ ত্রোফি ২০২৫গী নোর্থ ইষ্ট জোনেল সিলেক্সন কম্মিটিগী জোনেল কনভিনর ওইনা নোমিনেট তৌরকখ্রে।

হীরম অসিগী মরী লৈননা এম এন সী এনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ২৮দগী হৌরগা মথং থাগী ১৫ ফাওবা বেঙ্গলুরুগী সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা বি সী সী আই দুলিপ ত্রোফি ২০২৫গী ওইনা নোর্থ ইষ্ট জোনেল কম্মিটিগী জোনেল কনভিনর ওইনা রোনেলবু নোমিনেট তৌরকখিবা অসি এম এন সী এগী ওইনদি চাওথোকচনিংঙাই মীকুপ অমনি।

জোনেল কনভিনর অমা ওইনা মহাক্না নোর্থ ইষ্ট জোনদগী শান্নরোয় ১৫ খনগনি। লোয়নন নোর্থ ইষ্ট জোন টিমগী সপোর্টিং ষ্টাফ হায়বদি কোচ, এসিষ্টেন্ট কোচ, ফিজিও, ত্রেনর, পার্ফোমেন্স এনালিষ্ট, মেসিওর অমসুং মেনেজরসু মহাক্না নোমিনেট তৌগনি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়নন বি সী সী আই অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট ক্রিকেট এসোসিএশনবুসু চেরোল অসিনা মখা তানা থাগৎলক্লি।




# মণিপুর হোক্কি দিভিজন ‘এ’গীদমক ক্বালিফাই ওইরে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):** হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা টামিলনাদুনা যুম্ফু ওইদুনা চেন্নাইদা চথরিবা ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র মেন্স নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী দিভিজন বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুর হোক্কিনা হোক্কি হিমাচল মায়থীবা পীবা ঙমখিবগা লোয়নন মণিপুর হোক্কি দিভিজন-এগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদগী হৌরগা মণিপুর হোক্কি অমসুং হোক্কি হিমাচলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মণিপুর হোক্কিনা লাকচনা শান্নবা ঙম্বগা লোয়নন অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুদা মণিপুর হোক্কিনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

মরীশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুদা মণিপুর হোক্কিগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। অদুবু হোক্কি হিমাচলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু মণিপুর হোক্কিনা পাঞ্জল ৬-০দা মায় পাক্তুনা দিভিজন-এগী ক্বালিফাই ওইখিবনি।

# বেলটন ওইনামবু হরাও তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচএন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)না শীন্দুনা পঞ্জাবকী অমৃটশরদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র বোইজ নেশনল ফুটবোল ফোর ডা. বি সী রোই ত্রোফি ২০২৫-২৬তা চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা মণিপুর টিমদা শরুক য়াখিবা বেলটন ওইনামবু হরাও-তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

ঙসি মণিপুরগী টিমনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা থুংলখ্রবা মতুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা রিগ্যুলের ফুটবোল কোচিং সেন্টর (আর এফ সী সী) কৈনৌনা বেলটন ওইনামবু তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখিবনি।

বেলটন ওইনামনা মণিপুর জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টিমদা সেন্টর বেক দিফেন্দরগী পোজিসনদা শান্নদুনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1552**

**CM Ashvin Balavignan (1992) - IM Bence Pribelszky (2201)**
**Freestyle Friday Chess.com (7), 2025.06.27**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.c4 e5 | 2.Nc3 Ng6 | 3.f3 f5 | 4.Bc2 Be6 | 5.g3 O-O |
| 6.b3 Nc6 | 7.h4 h6 | 8.Qb2 Bf6 | 9.Ne3 Nd4 | 10.Bb1 Ne7 |
| 11.Ned5 Nxd5 | 12.Nxd5 Bxd5 | 13.cxd5 d6 | 14.Bxd4 exd4 | 15.Bd3 Qe8 |
| 16.Kf2 Qe5 | 17.Rac1 Rf7 | 18.b4 Kh8 | 19.Rc2 Re8 | 20.Qb3 Rfe7 |
| 21.Qc4 a6 | 22.a4 c6 | 23.dxc6 bxc6 | 24.Qxc6... | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1551 Solution :**

**69. f4** *Opening the line from g4 to g5.* **gxf4**
*69...Nf3 70.Be4 gxf4 71.Bxf3*
**70. Be4 f3**
*70...Nf3 71.Bxf3*
*70...Nf5 71.Bxf5*
**71. Bc2 f2**
*71...Nf5 72.Bxf5 f2 73.Bd3 f1=Q+ 74.Bxf1*
*71...Ng2 72.Bg6 f2 73.g5#*
**72. g5+ Kh5 73.Bd1+ Nf3 74.Bxf3+ Kh4 75.Be2**
*75.Bg2 Kg3 76.Bf1*
**1-0**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com